## মীওই ৫ হাৎলগা শিজখ্রে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
য়ু এসকী ৱিস্কোনসিন ষ্টেটতা লৈবা বিয়র ব্রুৱরি অমদা থবক তৌবা মীওই অমনা মহাক্কী কোলিগ মঙা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎলবা মতুংদা মশামকসু কাপশিঞ্জদুনা শিজখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বিয়র ব্রুৱর মোলসন কুর্সকী মিলৱোকি কম্পেসতা থোকখিবনি। থৌমীশিংনা ইমেলগী খুথাংদা খুৎলায় পায়বা মীওই অদুনা চথুরক্লিবা থৌওংশিংগী মতাংদা পাউ পীরকখি হায়না পুলিস স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

## মালেম শীন থুংলকপা য়াই

সিদনি, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
মালেমগী মফম শীন থুংনা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকপা য়াবগী খুদম চাংদম খুদিংমক মফম কয়াদা উবা ফংলে হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসন্না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লায়না অসি শন্দোরকপা থিংনবা কানবেরানা ইর্মজেন্সি থৌরাং কয়া লৌখৎলকখিবগা লোয়ননা মোরিসন্না চেকশিনৱা অসি ফোঙদোকখিবনি। হৌজিক মালেমগী ওইনা মীওই ৮০০০০ রোম কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবনি।

# টর্কিনা শৌগৎপা রেবেলশিংনা মরু ওইবা সিরিয়াগী টাউন অমা অমুক হন্না পায়শিনখ্রে



অমান, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
টর্কিস মিলিটরিনা শৌগৎপা সিরিয়ন রেবেলশিংনা সিরিয়াগী ষ্ট্রেটেজিক টাউন সরাকেব অমুক হন্না খুদুম চল্লে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা রেবেলশিংনা ক্লেম তৌখ্রে।

রসিয়াগী মতেংগা লোয়ননা সিরিয়ন আর্মিনা চথুরিবা ওফেন্সিপতা অহানবা মায়থিবগী থৌদোক ওইনা রেবেলশিংনা টাউন অদু নৌহৌননা অমুক গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মখুত্তগী হন্দোকখিবনি।

সিরিয়াগী চহী ৯ গী সিভিল ৱারদা সিরিয়ন আর্মিনা রেবেলশিংগী অরোইবা মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোল্ড অমুক হন্না পায়শিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা অকনবা মিলিটরি কেম্পেন অমা চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা চয়োল অহুমগী মমাংদা সিরিয়ন আর্মিনা ওপোজিসন ফোসশিংদগী মরু ওইবা হায়ৱে অনীগী জঙ্কসনদা লৈরিবা অৱাং নোংচুপ থংবা টাউন অদু খুদুম চনখিবনি।

সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী ফোর্সশিংনা চঙশিল্লিবা মিলিটরি ওফেন্সিপকী মায়োক্তগী মমাংদা অমুক্তগী থোকখিদ্রিবা মওংদা রেবেলশিংবু শৌগৎলদুনা টর্কিনা সিরিয়াগী ইদলিব রিজনদা ট্রুপ লিশিং কয়াগা লোয়ননা মিলিটরি হার্দৱেয়র মরাং কায়না থাজিনখ্রবনি। লান অদুনা মরম ওইদুনা হৌখিবা থা অহুম অসিদা সিরিয়ন মিলিয়ন ৩ লোম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে।

সরাকেব সিটি অসাদকী গেংশিংদগী মপুং ফানা লিবরেট তৌরে হায়না টর্কিনা শৌগৎপা রেবেল ফেক্সনশিংগী কোলিসন অমা ওইরিবা নেসনল লিবরেসন ফ্রন্টকী স্পোক্সমেন নাজি মুষ্টাফানা ফোঙদোকখি।

টাউন অদুদা রেবেলশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা মায় পাক্লা হনে দাকহনখ্রে হায়বা রসিয়ন ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টশিং রসিয়ন মিলিটরি সোর্স অমনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, রসিয়ন এয়র পৱারনা বেক্কিং পীবা অসাদগী ফোর্সশিংনা টাউন অদুবু রেবেলশিংগী মখুত্তগী হন্দোক্লবগী ওপরেসন অমা হৌখ্রে হায়না টর্কিস ওফিসল অমনা লাউথোকখি।

পনবা য়াবদি, রসিয়নশিংগী মতেংগা লোয়ননা ইরানিয়ন মিলিস্যাশিংনা শৌগৎপা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা হৌখিবা দিসেম্বরদগী অৱাং নোংচুপ থংবা সিরিয়াগী মফম কয়া কন্ট্রোল তৌশিনখিবনি।

# দিল অমা য়ানরবদি আই এ ঈ এনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম য়েংশিন্নবা শেম শারে



টোকিয়ো, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় অমত্তা লৈহন্দনবগী এগ্রীমেন্ট অমা হেক য়ানবগা ইন্টরনেসনল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ঈ এ)না প্যোংয়াংদা ইন্সপেক্টরশিং দিপ্লোই তৌনবা শেম শারে হায়না মালেমগী ন্যুক্লিয়র ৱটসদোগ অসিগী মকোক্লা শগোলশেল নুমিত্তা টোকিয়োদা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১১ দা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমসুং সুনামিনা শোকহনখিবা ফকুসিমা দাইচি ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট থুপচিনবগী প্রোসেস রিভিয়ু তৌননবা জপানিজ ওথোরিটিশিংনা ইনভাইট তৌবদগী আই এ ঈ এগী দিরেক্টর জেনরেল রফেল গ্রোস্রি টোকিয়োদা লাক্তুনা লৈরিবনি।

মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলদুনা গ্রোস্রিনা প্যোংয়াংগী রেজিম্মু মখোয়গী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিংনা মরম ওইদুনা লমদম অদুদা নৎত্রগা মালেমদা অকিবা পীবা লেপহন্নবগী পান্দমদা য়ু এসকী মায়কৈদগী লৌখৎলকখিবা খোঙথাং কয়াগী মতাংদসু পনখি। প্যোংয়াং রেজিম্না ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা অনীশুবা চাংয়েং অমা শেম শারকপদগী য়ু এন এজেন্সি অসি চহী ১১ গী মমাংদা নোর্থ কোরিয়াদগী থোক্লকখিবনি হায়না গ্রোস্রিনা ফোঙদোকখি।

# ইরানদা কোরোনাভাইরসনা শিহনবা মী মশিং ২৬ য়ৌরে



দুবাই, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা ইরানদা শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা শিখিবা মী মশিং ২৬ য়ৌরে অমসুং ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন লৈরে হায়না কনফার্ম তৌবা মী মশিংনা ২৪৫ য়ৌরে হায়না ইরানগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কনফার্ম তৌরবা অনৌবা কেস ১০৬ শুরে। ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা শিবা মী মশিং ২৬ য়ৌদুনা চাইনাগী ৱাংমদা অতোপ্পা লৈবাক অমদা কোরোনাভাইরস শিহনবা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সমেন কিয়ানুস জহানপুরনা ষ্টেট টিভিদা ফোঙদোকখি।

লৈবাক মনুংদা কান্নদবদা য়ারিবমখৈ চৎথোক চৎশিন তৌবা লেপ্পবসু ইরানিয়নশিংদা আপিল তৌখি। শেংলবা সিয়াইট মুস্লিম খুভমশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা অথিংবা খরা থম্লবা থৌরাং তৌবগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তা লাইশোনগী থৌরম খরসু কেন্সেল তৌখ্রে হায়নসু জহানপুরনা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, মহাক্না গভর্নমেন্টকী অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি পাঙথোকপদা প্রসিদেন্টকী অয়াবা চঙই হায়না পনবগা লোয়ননা ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন লৈরবনি হায়না চিংনবা মীওই কয়া মশা ফগৎলক্তুনা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়বসু ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট হসন রৌহানি য়াওনা ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা অমদা অতেনবা মতমগী মনুংদা ভাইরস শনে দারকপগী চাং ৱাংবগী ফিভম লৈদুনসু ইরানগী সিটি নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট অমত্তা তোঙান্না থম্নবগী থৌরাং অমত্তা লৈতে হায়খি। ইরানদা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা মী শিবা অমসুং ভাইরস অসিগী ইনফেক্সনশিং শুপ্নগী হৌখিবা চয়োলদা ওফিসলশিংনা লাউথোকখিবনি। চেকশিন থৌরাং ওইনা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী সিনিমা হোলশিং থিংজিনবা অমদি কলচরেল থৌরমশিং অমদি কনফরেন্সশিং মতম খরগী ওইনা থিংজিনবগী থৌরাং মখা তানা চয়োল অমগসু শাংদোক্লে হায়না জহানপুরনা ফোঙদোকখি।

## ফ্লাইট লেপহনখ্রে

ত্রিপোলি, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
সেল কন্না কাপ্পনা মরম ওইদুনা লিবিয়াগী কেপিটেল ত্রিপোলিদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা মথৌ তৌরিবা এয়রপোর্ট মিতিগাদা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা ফ্লাইটশিং লেপখি হায়না এয়রপোর্ট ওথোরিটিশিংনা ফেসবুক্কী খুথাংদা ফোঙদোকখ্রে।

কম্মান্দর খালিফা হাফটরগী মখাদা নোংপোক থংবদা লৈবা লিবিয়ন ফোর্সশিংনা মালেমনা শকখঙবা গভর্নমেন্টকী মফম ওইরিবা কেপিটেল লৌশিন্নবা চঙশিল্লকখিবা লাঞ্জংদা এয়রপোর্ট অসিবু হঞ্জিন-হঞ্জিন্না এটেক তৌখিবনি।

## বিল্ডিং মৈ চাকপদা ৫ শিরে

পেরিস, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
শগোলশেল নুমিত্তা ফ্রান্সকী সিটি ষ্ট্রাসবোর্গতা বিল্ডিং অমা মৈ চাক্লকপদগী মীওই ৫ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৭ না অশোক-অপন নংলে হায়না লোকেল ফায়র সর্ভিসনা ফোঙদোকখ্রে। লোকেল মিদিয়াগী মতুং ইন্না মথোল তরেৎকী বিল্ডিং অদুদা মৈখু কারক্লে হায়না পাউ পীরকপদগী ফায়র ফাইটরশিংনা নোংয়াইমতুং পুং ১.১৬ তাবা মতমদা থৌদোক থোকফমদা চঙশিনখি। মীওই ২৩ রেস্ক্যু তৌখি অমসুং মৈ চাক্লিবদু লাকশিনবসু ঙমখি।

## বোর্দর থিংবনা কান্নরোই

ব্রসেলস, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন মনুংদা কোরোনাভাইরসকী লাইওংশিং লোয়নরবা মীওইশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা পীনবা বোর্দরশিং থিংজিনবনা লায়না লাইচৎ অসি থিংনবা হোৎনবদা থোইদোক্লা কান্নহল্লোই হায়না ব্লোক অসিগী এক্সপার্টশিংনা মোৎ অমত্তা ওইনা য়ানরে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ঈ য়ুগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না ৱারেপ অসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা নেসনল এক্সপার্টশিংগী মীফম অমদা লৌখিবনি অমসুং মসিগী ফিরেপ অসি চয়োলগী ওইনা রিভিয়ু তৌগনি।

# কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা জপানগী স্কুল পুম্নমক থিংজিল্লগনি



টোকিয়ো, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিনবদা মতেং ওইনবা জপানগী এলিমেন্টরি, জুনিয়র অমসুং হায় স্কুল পুম্নমক মার্চ ২ দগী কালেন চঙলকপা মতম ফাওবা থিংজিন্নবা খঙহল্লগনি হায়না শগোলশেল নুমিত্তা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেনা কোরোনাভাইরস থেংনরিবা টাস্ক ফোর্স অমদা ফোঙদোকখ্রে।

টুর বস গাইদ অমা ওইনা থবক তৌবী নুপী অমা অনীরকশুবা ওইনা চাংয়েংদা কোরোনাভাইরস ওইরম্বা থেংনখিবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেনা টাস্ক ফোর্স অদুদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ওসাকা প্রিফেকচরেল গভর্নমেন্টনা নুপী অদু জপানগী ওইনদি হান্না পোজিটিভ ওইবদগী লায়েংদুনা ফরবনি হায়না লৌনরুরবা মতুংদা অমুক হন্না চাংয়েং তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্বগী অহানবা কেসনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহৌশাদগী জপানগী স্কুলশিং মার্চ থাদা চহী লোইরগা ব্রেক অমা লৈরবা মতুং এপ্রিলদা অমুক সেসন হৌনৈ। জপানদা কোরোনাভাইরস কেস মশিং হৌজিক ২০০ দগী হেন্দুনা য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা লৈরম্বা ওফিসল ওইবা মশিং ১৮৬ তগী হেনখ্রে। পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন এচ কেগী রিপোর্ট মতুং ইন্না অৱাং থংবা ইথৎ হোকাইদোদা চহী ১০ য়ৌদ্রিবা অঙাং অনী য়াওনা অনৌবা কেস ১৩ কনফার্ম তৌখ্রে।

ইনফেক্সন থিংনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং ওইনা ফেব্রুৱারি ২৯ দগী হৌরগা চয়োল অনী চুপ্পা পব্লিক কিন্দরগার্টেনশিং, এলিমেন্টরি অমসুং জুনিয়র হায় স্কুল পুম্নমক থিংজিল্লগনি হায়না নোংচুপ থংবা সিটি ওসাকাগী ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখি।

হোকাইদোদা মশাগী চহী ৮০ হেল্লবা নুপা অমা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়না প্রিফেকচরেল গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা জপানদা ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবা মীশিংগী অপুনবা মশিং থা অসিগী অঙনবদা তোঙান্না থমখিবা জহাজকী পেসেঞ্জরশিংগী মরক্তা শিখিবা মরি য়াওনা ৮ শুরে। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা পেসেন্টশিংগী লিষ্ট রিভিয়ু তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর কাটসুনোবু কাতোনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখি।

# সাউথ কোরিয়া-য়ু এস জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজ য়েথোক্লগনি

সিওল, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
অনৌবা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগা মরী লৈননা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসনা মখোয়গী জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং য়েথোক্লবা ৱারেপ লৌরে হায়না লৈবাক অনীগী কম্বাইন কম্মান্দনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কম্বাইন ফোর্সেস কম্মান্দ (সী এফ ও)গী মতুং ইন্না নাকল অনীনা হান্না মার্চ থাদা মখোয়গী কম্প্যুটর-সিম্যুলেটেদ কম্বাইন কম্মান্দ পোষ্ট ট্রেনিং পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বদগী সিওলনা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী মতাংদা এলার্ট লেভেল খ্বাইদগী ৱাংনা থম্লবা ৱারেপ লৌখিবদগী মখা তাবা নোর্টিস অমা থোক্ত্রিফাওবা য়েথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি।

অমগা অমগা মীচং ওইনরিবা লৈবাক অনীনা হকশেলগা মরী লৈনবা ইশ্যুশিংনা মরম ওইদুনা অপুনবা এক্সর্সাইজশিং মোদিফাই তৌনবা ৱারেপ লৌবসি হন্দক্কীসিনা অহানবনি হায়না য়োনহাফ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবফাওবদা কোরোনাভাইরসকী কনফার্ম তৌবা কেস মশিং ১,৫৯৫ য়ৌদুনা হৌখিবা চয়োল অসিদা সাউথ কোরিয়াদা ইনফেক্সনগী চাং ৱাংখৎলকপা উখি। হৌজিক ফাওবদা ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিদা মীওই ১২ শিখ্রে।

সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরি পর্সনেলশিংগী মরক্তা কোরোনাভাইরস কেস ২১ রিপোর্ট তৌখিবগী মনুংদা কেস ২০ এক্তিভ দ্যুটিদা লৈবা লান্মীশিংনি অমসুং অমনা আর্মি সিভিলিয়ন ৱর্করনি। লায়না লাইচৎ মখা তানা থিংনবা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা হৌজিক লান্মী ৯৫০০ রোম তোঙান্না থল্লি।

খা নোংপোক থংবা কাউন্টি চিনগোকতা লৈবা বেজতা থম্বা মশাগী চহী ২৩ শুরবা মীওই অমা চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এস ফোর্সেস কোরিয়াগী ট্রুপশিংগী মরক্তা অহানবা কোরোনাভাইরস পেসেন্ট থেংনখি। পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৮ ফাওবদি লৈবাক অনীনা কি রিজোল্ভ অমসুং ফোয়ল ঈগল কৌবা অচৌবা স্প্রিং টাইম এক্সর্সাইজশিং পাঙথোকখি।

হৌজিক লৈরিবা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী ফিভমগা মরী লৈননা জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজ য়েথোকপগী ৱাফম অসি সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী চ্যেরমেন জেনরেল পার্ক হান-কিনা হান্না হৌদোকখি। মদু কম্বাইন ফোর্সকী কম্মান্দর জেনরেল রোবার্ট অব্রামনা শৌগৎখি।

## প্রোটেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারি ২৭ (এজেন্সি) :
হৌজিক ফাওবদা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমখ্রবা ন্যু দিল্লিদা থোক্লিবা হাৎন-শুনবগী ইৱাংগী মায়োক্তা ইরাই নুমিত্তা য়ু এসকী সিটি ৪দা প্রোটেষ্ট তৌরগনি হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
THE DITECRORATE OF TRANSPORT
----
**CORRIGENDUM**
Imphal, 27th February, 2020

No. DT/78/Direct-Recruitment/2020: This is with reference to notification of even No. dated 26th February, 2020 regarding the invitation for applications from the eligible candidates for appointment in 118 posts in Transport Department. The information in the said notification is corrected as follows:

| Sl. No. | Read as | In place of |
|---|---|---|
| 1. | "GP-1800" in Pay Band for Checker in Para 1 & 3. | "GP-1650" |
| 2. | "GP-1650" in Pay Bands of Peon and Chowkidar in Para 1& 3. | "GP-1300" |
| 3. | "not less than 40%" in Para 1 regarding the information on Person with Disability (PWDs). | "less than 40%" |

**Sd/- Mercina R. Panmei**
Director of Transport,Govt. of Manipur

HL-B/6091/28

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF TRANSPORT
------
## ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/N O T I F I C A T I O N

Imphal, the 26th February, 2020.

**No. DT/12/Recruit/2018:** The Department of Transport, Manipur, Imphal invites application in the prescribed format from willing and eligible candidates for appointment to the following 118 (One hundred and eighteen) posts on temporary basis through sponsorship of the concerned Employment Exchanges in Manipur:

**1. Details of vacancies of posts along with eligibility criteria:-**

| Sl. No. | Name of posts | Essential Qualification: | Pay Band (MS(RP)R. 2010) | No. of post | UR | ST | SC | OBC (M) | OBC (MP) | PWD* |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| i. | Sub-Inspector (Enforcement) | 1. Graduate of any recognized University. 2. Knowledge of Manipuri. 3. Height 5 ft. 4 inches (Minimum) 4. Minimum Chest Measurements 31"-33". Desirable: Knowledge of Hindi. | 5200-20200 + GP-2800 | 4 | 2 | 1 | | 1 | | |
| ii. | Asstt. Sub-Inspector (Taxes) | PUC or equivalent of any recognized University/ Board. Desirable: 1. Knowledge of Manipuri. 1. Knowledge of Hindi. | 5200-20200 + GP-1900 | 11 | 3 | 5 | | 2 | 1 | 1 |
| iii. | Asstt. Sub-Inspector (Enforcement) | 1. PUC or equivalent of any recognized University/Board. 2. Knowledge of Manipuri. 3. Height 5 ft. 4 inches. 4. Minimum Chest measurement – 31"-33". Desirable: Knowledge of Hindi. | 5200-20200 + GP-1900 | 8 | 4 | 3 | | 1 | | |
| iv. | LDC (Office Assistant cum Computer Operator) | Graduate who have completed a course on Computer Concepts (CCC) IDOS+Windows+MS Office+Multimedia +Internet) of a Central/State recognized Institute. | 5200-20200 + GP-2000 | 21 | 11 | 6 | | 3 | 1 | 1 |
| v. | Driver | Matriculate/Class X passed with Driving License valid for last 5 years. | 5200-20200 + GP-1900 | 15 | 7 | 5 | | 3 | | |
| vi. | Checker | 1.Matriculate/class-X passed or its equivalent from a recognised University/Board. 2. Height 5 ft 3 inches. 3. Minimum Chest measurement 31"-38" | 4440-7440 + GP-1650 | 44 | 20 | 14 | 1 | 7 | 2 | |
| vii. | Peon | Matriculate/Class X passed or its equivalent from a recognised University/Board. Desirable: 1) Knowledge of Hindi. 2) Good Physique. 3) Knowledge of cycling. | 4440-7440 + GP-1300 | 10 | 5 | 2 | | 2 | 1 | 1 |
| Viii | Chowkidar | Matriculate/Class X passed or its equivalent from a recognised University/Board. Desirable: Good Physique. | 4440-7440 + GP-1300 | 5 | 3 | 2 | | 0 | | |
| | Total | | | 118 | 55 | 38 | 1 | 19 | 5 | 3 |

*The categories of PWDs are (i) Locomotive Disabilities and (ii) Hearing Handicapped. Persons suffering from less than 40% of the relevant disability shall alone be eligible for the benefit of reservation. The candidate should be in the possession of Disability Certificate in prescribed Form issued by the competent Authority in this regard.

- Minimum of 18 years and Maximum of 38 years for all the posts except for Driver where the minimum age is 21 years. The upper age limit is relaxable by 5 years for SC/ST and 3 years for OBC candidates. Upper age limit is also relaxable for Govt. servant appointed under Government of Manipur to the extent of the period of continuous service in post/service. The eligible age should be as on 26-02-2020 i.e. the date of notification.
- The willing and eligible candidates should get their names sponsored by the concerned Employment Exchange offices.
- Application forms will be available at the State government website (**http//:manipur.gov.in**).
- Completed application forms along with the required self attested copies of certificates should be submitted on every working day between **11:00 AM-5:00 PM** at the office of Manipur State Transport, MST Complex, Moirangkhom, Imphal West. **The last date /time for acceptance of duly completed application form along with relevant documents will be 5.00 P.M of 23rd March, 2020, after which no forms shall be accepted.**
- Only those applications duly sponsored by the respective District Employment Exchanges Office shall be accepted.
- Date of requisition from Employment Exchange will be 29th February, 2020.
- Last Date of requisition from Employment Exchange will be 21st March, 2020.
- Driving Test and Physical Test will be conducted on 26th and 27th March, 2020 from 10AM - 4PM at ISBT Complex, Imphal.
- The Dates for Written Test and Computer Test shall be notified later.
- Other terms and conditions will be available at the State Government Website www.manipur.gov.in

**Sd/- MERCINA R. PANMEI**
Director of Transport
Govt. of Manipur

HL-P/6090/28,29